ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ০৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৯৬ শুবা মশীং

# শেঙ্গা-থুমজাগী লায়না

### ষ্টেট ফোর্সকী পার্সনেল লৌবদা চেকশিনবা চুমই

***মালেমগী*** লৈবাক অয়াম্বদা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক লৈ। লনাই মীওই অমনা মনিং তৌবা য়াদবা কম্যুনিষ্টকী লৈবাক ওইরিবা চাইনাদা ফাওবা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক লৈ। এসিয়ান কন্ত্রিদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফরিবা জপানদা ফাওবা শেঙ্গা-থুমজা চথবগী ৱাথোক থোকই। য়ুরোপ, অমেরিকা অমদি অষ্ট্রেলিয়া কন্ত্রিশিংদসু চপ মান্নবা ৱাথোকশিং মতম মতমগী ওইনা থোকই। পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী মাঙজিল থানা শেঙ্গা থুমজা তৌই হায়না মালেমগী লৈবাকশিংগী মীং খুৎ থেক্লরকপদা ইন্দিয়াদি অহানবদগী অহুমশুবা ফাওবগী মনুংদা য়াওই হায়না পান্নে। লৈবাক ঙাক্লিবনি হায়দুনা সিফাইনা পুংকোয় কোয়না য়োল্লগা লৈবা, আইন শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি হায়বা কাঙবুনা লুপা ক্রোর লাখ কয়ামরুম হৈনথোকখিবগী থৌদোকশিং লৈখি। শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক অসি শুকথিংমক থিংবা ঙম্লরোইদবা লাইচৎ অমরা হায়বদুদি কনামত্তনা হায়রোই। মীওইবগী চাউখৎপগী থাক অমসুং মমা লৈবাক নুংশিবগী চাং ৱাৎপা মীওই খক্তনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌথোরকপনা করপশন হায়বসি থিংবা ঙম্লোইদবা তমথিরবা লায়না অদুমক্তি নত্তে। তৌবদদি হূরানবনি হায়রিবা মীওই অদুবু ফারিবা মীশক অদুসু হূরানবা ওইরবা অমদি মখোয় অনীবু ৱায়েলগদৌরিবা কাঙবু অদুসু পুকচেল শেংদ্রবদি কৈদৌনুংদসু শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক থিংবা ঙম্লোই। মীওইবা হায়বা কাঙলূপ অসি ঐগী, মীগী য়াম্না খায়গনবা অমদি লমন খুম্নিংবা নৎত্রগা লমন শিংনিংবগী ৱাখল্লোন চেনবা থৱায় পানবা ওইবনা শেঙ্গা-থুমজা হায়বসি মণিপুরগী লৈমায়দগী পাক হেক মুখৎপদি য়ারোই। মসি মুখৎনবগীদমক মকোক্তগী হৌগদ্রা নৎত্রগা মমৈদগী হৌগদ্রা হায়না নৈনবদসু য়েরুমগা য়েনবীগা কনানা হল্লি হায়বদৌনা পাউখুম পাক হেক পীবা ঙম্লরোইদবা ফীভম অমনি। অদুবু শেঙ্গা-থুমজা হায়বসি খুন্নাই অসিগী য়াংলেন শরুদা মশক উদনা চীকপা তমথিরবা মহিক মখল অমা ওইবা মরম্না মসিগুম্বা মওং মতৌ অসি হেক লৈরিমখৈ লৈবাক অমা কৈদৌঙৈদসু চাউখৎপা য়ারোই। অসিগুম্বা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোকশিং অসি থিংননবা আইন কয়ামরুম লৈ হায়বসি পূম্নমক্কা কাউথোক্লরে।

মণিপুরদা শেঙ্গা-থুমজা চথবগী মওং অসি মকোক্তগী মমৈফাওবা চথবদৌনা তৌরে। অচৌ-অচৌবা ফম পায়বা ওফিসারশিংনা অচৌবা শেনফম নামৈ শেল ওইনা লৌবগুম্না অপীকপা ফম পায়বা কয়ানা লুপা লীশিং অমা/অনী য়েপশিন্নবা হোৎনবদা তৌরিবা মওং মতৌ অসি হেক উরুবদা খোইদৌ শাউগৎতবা ঙমদে। লৈঙাক্কী লোয়শঙ খুদিংমক্তা অচুম্বা তৌই হায়বা ওফিসার নৎত্রগা ইমপ্লোয়ী লৈক্তবগুম তৌরকপা অসিনা খুন্নাই অসিগী তুংগী লম্বী করি ওইরক্কদগে হায়না খল্লুবদা তু চুংবা য়াওরকই। মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা ইনি দয়াগী ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মীখলগীদমক লুপা ক্রোর কয়া তানশিন্নবা হোৎনৈ। মখোয়না শেনফমশিং অদু ফংননবা হোৎনবদা থবক হাপ্পদগী হৌরগা মীয়ামদা থাধগদবা শেনফমশিং হায়হৎপগী থৌদোকশিং থোরকই। মখোয়বু ফারগা ৱায়েল শঙ য়ৌহনগদবা পুলিস নৎত্রগা মসিগী মখাদা লৈবা মশা পুম্নমক অঙম্বা কয়াগী ফুরিৎখাউদা হাপচিনবা য়াবদৌনা তৌই। থাঙৈশেংনমক্তি, পুলিস হায়বসি লৈঙাক মপুশিংগী ওইফম থোক্তে। মখোয়গী মপুদি আইননা ওইহনগদবনি। পোষ্টিং অফবা মফম ফংনবা হোৎনবা হায়বসিমক করপশনগী হৌরকফমনি। লৈঙাক্লা পোষ্টিং মফম খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংহন্ননবগী থৌশিল অমা শেম্বগী মহুৎতা মমল তিক্লরগা লৈবা য়াননবা থৌওং ওইনা পোষ্টিং শেম্মী। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, হৌজিক হৌজিক মণিপুর পুলিস কন্সটেবল, মণিপুর রাইফলসকী পার্সনেল কয়ামরুম লৌবগী ফিজিকেল ইফিসেন্সি টেষ্ট য়াম্না কন্না পাঙথোক্লি। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা পার্সনেল লৌবদা মথৌ তৌরিবা ওফিসলশিংনা শেঙ্গা-থুমজা চথুরবদি দি পি সী মায়োক্লরিবা কেন্দিদেটশিং অদুনা হয়েং থবক চঙলবা মতমদা কারন-তুরন তৌরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। হেক হৌবদগী হুরানবা তম্বীবগী মওংদা থবক তৌবনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অহোবা কয়ামরুম লৈরক্কনি। শেল খক্কীদমক খল্লগা থবক তৌরকপনা পুলিস পার্সনেলশিংগী মোরেল মাঙথরক্কনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মখলগী পার্সনেলশিং লৌবদা শেঙ্গা-থুমজা তৌরোইদবনি। মনুং-মপান ফাওনা উবা য়াবা থৌশীলগী মখাদা ফিজিকেল ইফিসেন্সি টেষ্ট য়াওরিবশিং ফাওবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইস হাপ্লগা নীংথিনা রেকোর্দ তৌহৌরগদি মীয়াম্নসু অচুম্বা দি পি সীনি হায়নগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# হুইয়েন লানপাউ পাউচে পারুবদা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**হুইয়েন লানপাউ** পাউচেগী তাং ২৪/৬/২০১৬ কী ইশ্যু পারুবদা থেংনজে 'লাইরিক ফোঙবদা চৎনরিবা মচৎ' য়াম্না নুংঙাই, অনৌবা চৎনরোলনি। মরক্তা পল্লি লাইরিক্কী মমল অসি লাইরিক ফোঙবা নুমিৎসিদা লৈবীবা তারবদি মমল হস্থনা য়োঞ্জগনি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম মফম অমা অনীদা য়াওজরুবদা ঐসু থেংনজরকই। কনাগুম্বনসু মনুংগী মখুমদা ইশিল্লি, লাইরিকসি ওজাদা খুদোল তৌজরি। শুপচিন্না য়েংবা মিৎয়েংদা লইরিক ফোঙবগী থৌরমদা লেংবীরক্লিবা ইকায় খুম্নরবা/খুম্নরবীশিং মমল য়াওদনা অমমমতং খুদোলজবদা পূক্লিংদা অমাঙ অতোং থিজরোই। খোরিরোলগী পুক্কেদি মতম পূম্বদা থন্দুনতা লৈবোই নীংহল্লি।

লৈবা য়োনবগী ৱাফম অমা পুশিল্লক্লবনিনা থৱায় য়াওনা লাকচরিবশিংগী পূক্লিংদা চরাং চফেন্নবা অমদি থোকহল্লি। মথংদি লাইরিক ফোঙবকা চৎলুবা য়াবা নৎত্রে। মতম অসি চাওখৎলক্লবনিনা সর্ভাইবেল ওফ ফিটেষ্ট, মরী লৈনবা মীওইনা থিবা লাকপা মশানা তারগদ্রা?

বঙ্গালি ময়েক্তা ফোঙনরিবা লাইরিক অসি মীতৈ ময়েক অহৈবা অমা অমুক নেক্লগা মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্তুনা ফোঙবা তাবনি। মরমদি হৌজিক নৌনা মীতৈ ময়েক তমখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা বঙ্গালি ময়েক্কী লাইরিক অমদি পাউচে পাবা হৈতবা য়াওরি। লোয়ননা চহী হুম্ফু মথক্কী মীরোলদদি মীতৈ ময়েকসি খরদি পাবদা ৱাগদবা মাল্লি। অমরোমদা অমুক মীতৈ ময়েক্কী খূৎয়েক্তা, মীতৈ ময়েক হায়গদ্রা নৎত্রগা মৈতৈ ময়েক হায়গদ্রা অনী অসিসু অমুক চয়েৎনবা অমা থোকহল্লি লমদমসিদা।

*অদোমগী - এম নিলাকুমারি দেবী*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২

১। 'কংস বধ' গী অইবদু কনানো?
২। 'লৈচিল্লক্কী থাজ' করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩। 'মমাদো লৈশাবীদো অঙাওবীদো' কনানা ইবনো?
৪। পরিষদনা ফোঙবা 'রঘুবংশ মহাকাব্য' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

## হায়নবা লৈ ঃ

*অহৌবা ফরবদি পোলোইসু ফগনি।*

## লৌমীশিংগী কাখল

# এঙ্গাং-নাপী অমদি হৈ-রা হেকপা

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**



**অহল-লমনশিংনা** তোয়না শীজিন্নবা অমদি থম্বীরম্বা ফজরবা ৱাফমশিংগী মনুংদা পোৎহেক-চাহেক ফজবগী ৱাফম তোয়না য়াওই। চাকখুমদগী থোরক্লগা পোৎ হেকপদা পাম্বীদু মশা শোকই-শি হায়নৈ। মনম চেনবা মরু মরাং কোকফাই বেক্টেরিয়া য়াওবা মনা-মশিং পায়রু-মল্লুরগা হৌরিবা পাম্বীশিং হেকপা থৎপদা অকায়বা লৈ পূম্নমক্কা খঙনৈ। শাগৎলকপগা লোয়ননা হোংলক্লিবা অঙ্গৈং-অশাগী ফীভমসিগা মরী লৈননা পোৎলম কয়া হেকপদা য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওইরি।

হৌরিবা এঙ্গাং-নাপী অমসুং উহৈ-ৱাহৈ হেক্লবা মতুং য়োন্নবা শেম-শারিঙৈদা নৎত্রগা লৈখ্রবা মতুংদসু লায়না কয়া কনখৎলকপা মরম্না মনা-মশিং পৎ-পূম্বগী চাংসি য়াম্না ৱাংই। মতম অমসুং মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না মনা-মশিং হেক্লবা মতুংদা মাঙহনবগী চাংসি চাদা ১০ দগী ৩০ ফাওবা য়ৌই হায়না পানৈ। অসুম্না হিংকুপশিং (মাইক্রোওর্গানিজম) না মনা-মশিংবু পথহল্লিঙৈ মতমসিদা হুগী মশক ওইরবা মহী কয়া অমসু থাদোরকই। মসিনা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নবা য়াহন্দে, পোৎলমদুদা য়াওবা মচিগী চাং হন্থহল্লি, য়োনবদা শিৎতে, মমল হন্থহল্লি।

হেক্লবা মতুংদা মনা মশীং হৱাই-চেঙৱাই, উহৈ-ৱাহৈ মাঙবগী চাংসি খরমখৈ হন্থনবা মাঙলিবা অসিগী মরম খঙদোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে। মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ হেক্লবা মতুংদা মাঙলিবসিগী মরম ওইনা খরদং পনবা য়াবদি -

১) চেকশিন্দনা হেকপা নৎত্রগা লৈনুংদগী তানবা মতমদা থিন্দৎ খোৎতৎপা অমসুং ককথৎপা নৎত্রগা শোইদৎপদগী মাঙবা।

২) কোকফাই শুজা অমসুং বেক্টেরিয়ানচিংবা কয়ানা পৎহন-পুমহনবা। হেকপদা শোকখিবা মফম কয়াদসু লায়নাশিং তাশিনবা লায়হল্লি।

৩) হেক্লবা মতুংদা অইংবা মফমদা থল্লিবনি হায়দুনসু অঙ্গৈং-অশা অমসুং ঈশিং ঈনিলগী চাং কায়বদগী পৎপা।

৪) হেক্লবা মতুংদা নুংশিৎ-নুংশা চঙহন্দনা ওমশিনবদগী নিয়ম চুমদনা মুনশিল্লকপা অমসুং মকু য়াওনা মনুংগী মরুশিংনা ময়োন থোরকপা।

৫) এঙ্গাং-নাপী নৎত্রগা উহৈ-ৱাহৈশিং অদু করম্বা মতমদা চপ চানা মপূং ফাবনো হায়বদু খঙদনা হেকপদগী ফংফম থোকপা শেনফম য়ৌদবদা নত্তনা মপোপ কায়হন্দনা থম্বা য়াবগী মতম তেল্লি।

৬) নিয়ম চুম্না হেক্তবা, খুদম ওইনা ভেলেন্দ্রি অমসুং খামেননচিংবা হেকপদা থাঙ, কাটিনচিংবা য়াওদবদগী মশা তেকপা, মহৈদা খামদৎপা কয়া থোকই।

৭) মতম থীন্থনা হেকপা অমসুং কুইনা লৌবুক্তা থম্বনা পৎপা পূম্বগী চাং হেনগৎলি। খুদম ওইনা - থাউগীদমক থাবা হঙ্গাম পাম্বীশিংদা তত্তনা থেংনরি।

৮) নোং চুরিঙৈ অমসুং হাংবা কুইদ্রিঙৈদা হেকপা নৎত্রগা য়াম্না শারিঙৈ মতমদা হেকপনা থুনা পৎনবগী মরম ওইহল্লি।

৯) লীদুনা থম্নবগীদমক মশা তাশিলহন্নবা থাবগী কাঙলোন্দা চুমহনগনি।

১০) অতোপ্পা খুদোংচাদবা খরদং পল্লবদা হেকপগা থুনা ইংথহন্নবা মফম অমসুং খূৎলায় ৱাৎপা, হেক্লবা মতুংদা হীদাক কাপথোক্তবা, হেক্লবা মতুংদা থুনা পুথোক পুশিন তৌনবা খুদোংচাবা লৈতবা।

**মাঙবা হন্থনবা পাম্বৈশিং ঃ**

পাম্বীদা তাবা লায়না তীলনাদা নত্তনা হেক্লবা মতুংদা চেকশিনবা হায়বসিসু পোৎলমশিং মাঙবগী চাং হন্থনবা অচৌবা মরম অমা ওইরি। হেকপা নৎত্রগা খাউরবা মতুংদা পৎ-পুমদুনা মাঙলিবা অসি হন্থহনগে হায়রবদি খাউরমদাইদগীনা কৈথেল য়ৌবা ফাওবদা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংদু নিয়ম চুম্না ঙাকপা তাই। থৌরমশিংদুগী মনুংদা খরদং লৌখৎপা তারবদি মখাগী অসুম্না পনবা য়াই-

ঈশিং পীবদা চাং নাইদবদগী খামেন, হঙ্গাম মুলা, তিলহৌনচিংবা কয়া চেকখায়দুনা মাঙহল্লি। তিলহৌ, চনমগী ওইনদি লোক্কদবা হাপ্তা অহুম ৱাৎলিঙৈদগী ঈশিং চনবা লেপকনি। নাইট্রোজেন হেনবনা মনা মশিং কুইনা থম্বা য়াদে অদুবু দরকার ওইরিবা পোটাসকী চাংদুমক পীরবদি থম্বা য়াবগী মতম শাংহল্লি।

হেন্না মমুন ফারবা পোৎশিং কুইনা থম্বা য়াদে, খরা কুইনা থমগদবা, কৈথেলদা পুথোকপদা মতম চঙগদবা ওইরবদি মুনফাত্রিঙৈ হেকপা তাই।

ঈংলিঙৈদা হেকপনা কুইনা থম্বা য়াহল্লি। নুংথিলদা হেকপদগীসু অয়ূক হেকপনা হেন্না ফৈ। শারিঙৈদা হেকপনা খুইশিনবগী চাং থুজিলহল্লি। হেক্লবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ খুদিংমক য়াম্না থুনা উরুমদা থম্নবা হোৎনগনি। নোং চুরিঙৈদা অমসুং নোং হেক হাঙবগা পোৎ-চৈ হেকপসি কুইনা থম্বা য়াগন্দে। মসি লায়না থোকহল্লিবা মহীক মতায়শিংনা য়াম্না হৈনবা মতাং ওইবননি।

শারিঙৈদা হেকপা তারবসু য়াম্না থুনা ঈংথহন্নবা হোৎনগনি। হেক্লবা পোৎলমশিংদুদগী অতেক-অকায় য়াওবশিং লৌথোকহৌগনি। মসিনা লায়না তাশিল্লকপদগী খরমখৈ হন্থহনগনি।

হেক্লবা মতুং কুইনা থম্বা য়ানবগীদমক হেক্লবা মতুংদা হীদাক কাপ্পা অমসুং হীদাক য়াওরবা ঈশিংদা তীংবগী থবক তৌনৈ। মণিপুরদদি কনানসু তৌনদে। মণিপুরগী মফম কয়াদগী পুথোরক্লিবা মনা মশিংশিং হীদাক য়াওরমগনি হায়বা ৱাফমসিগী ৱারী তোয়না তাই। মপান লমদগী পুশিল্লক্লিবা হৱাই-চেঙৱাই, হৈ-রা কয়াসিদা হীদাক য়াওরমগদবদু খল্লুরবদি মীপাইনিংঙাই ওইগনি। হোস্পিটালদা লৈরিবা অনাবশিং চানবনি হায়দুনা পুনরিবা সেম, অঙ্গুরনচিংবা কয়াসি শীজিন্নবদা অফবা ওইগনি হায়বসি থাজদে। মপানগী হৈ-রা কয়াদা য়াওরিবা পেষ্টিসাইদ রেসিদ্যুগী চাং পেপর কয়াদা ফোঙনখিবদু থেংনহৌবশিংনদি লমদমসিদা পুশিল্লক্লিবা হৈ-রা চানিংবগী চাং হন্থরমগনি। লমদমসিদগী পুথোকপা হৈ-রাশিংদা খরা হেন্না থৱায় য়াওশিনমিন্নরবদি শেল-থুমগী ৱাফমদা নত্তনা লমদমসিগী মীওই কয়াগী হকচাংসু ফগৎনবা হোৎনবদা কান্নগনি।

# চাংয়েং তৌদনা লৌউ পোৎলমশিং/কাঙলোনশিং শীজিন্নবা

**—— এস সুমঙ্গোল সিংহ**



**মতম** অমদা হায়ব্রিদকী মনা-মশিং নৌনা মণিপুরদা পুশিল্লকপা হৌরকপা মতমদা কোবি লৈ (থমচেৎমানবী) white flash হায়রিবা মখল অসি থারুবা ইচিন ইনাও কয়া অমা, শেন্দোং ফংগনি খন্না ৱানা হোৎনদুনা থারুরগা শেলেপ মাঙদুনা তাইনফমসু খঙদনা, নীংবা কায়না, উপাই লৈতনা তোকখিবা থৌদোক কয়া অমগী ৱারী লৈখি। হোৎনজমন, তিংখিবা শেল, মাঙখিবা মতম, পাঙ্গল, শাগৎলুবা অশা পূম্নমক অরেম্বদা মাঙখি। হায়রিবসি হায়ব্রিদকী ৱা ঙাক্তসু নত্তে হায়ব্রিদ নত্তবা অতৈ সিন্থেটিক, কম্পোজিৎ, মফম মফমগী লোকেলগী ওইবা কোবি মখলশিংসুনি। মসি কোবি লৈ হায়বসিনা থাবগী মতম, অঙ্গৈং অশানচিংবদা খরা হেন্না চিলহাও থিবা পাম্বী ওইরুবদগীনি হায়না লৌরবসু অতৈ মরু মরাং, মহৈ মরোং, এঙ্গাং-নাপী খুদিংমক্তসু হায়রিবা খুদোংথিবশিং অসি থেংনরোই হায়নিংঙাই লৈতে। পাম্বী খুদিংমক্কী মাগী মাগী হৈনজবা অঙ্গৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাও খেন্নৈ। খা ভারত্তা নিংথম কালেন অনীমক্তা ফৌ থাবদা মাই পাকই হায়দুনা ঐখোয়গী মণিপুরদা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে। নিংথমগী খরা ঈংবা মতম য়ৌশিল্লকপদা ফৌ শাৎপা ঙমগনি হায়বগী অশা উদে। হায়রিবসি মরম খংবা ঙম্বীরব্রা? অতৈ করিসু নত্তে খা ভারতকা মণিপুরগা অঙ্গৈং অশা খেন্নবা লৈবননি। ফৌ অঙ্গৈংবা মতমদা মপান শাৎপা ঙমদে। মপান খরা শাবা ঙম্লবসু ঈংবনা অসুম হেনজিল্লক্লবদি মরু চঙবা ঙমদে। ঈংবগী চাং খাঙবা ঙমবগী চাংসু অমুক ফৌ মখল অমগা অমগা মান্নদে। ওগষ্টকী তাং ১৫ দা মতোন থোক্লবা ফৌ মখল কয়া অমা হুন্দুনা য়েংবিয়ু অমত্তা মান্নরোই খরা অমনা মপান শাৎপা ঙমদনা অদুমক মপুন্সি লোইখিনি, খরা অমনা মপান খরা শারগা মরু চঙবা ঙমদনা অদুমক পুন্সি লোইখিনি, খরা অমনা নিংথিনা মপান শাবগা লোয়ননা মরু নিংথিনা চঙবা ঙমগনি। ফৌ মখল অমগা অমগা মাগী মাগী হৌরকফম মান্নদে নুংগী ওইবা মগুন পারি পুরিদগী য়াওরকপা মগুন, ধারাগী মগুন নৎত্রগা হেরিদিটি খেন্নবা মরম্না অঙ্গৈংবা খাংবা ঙম্বগী চাং খেন্নৈ। ময়াম্না খঙবীবা য়াবসি IR 64, ঙল্লে হায়রিবা PAC-807, অমত্তা মপান শাবা ফাওবা ঙমদবা থেংনবীগনি। অদুবু মণিপুরগী অরিবা ইপা ইপুগী ফৌ কুম্বী, ককচেংফৌ নিংথিনা মহৈ য়ানবা থেংনবীগনি। অতোপ্পা মাই পাকপা ফৌ খরদি আর সি মনিফৌ ১২, মঙাল পনবা য়াই। থাজবিদ্রবসু অমুক্তং চাংয়েং তৌবিয়ু। হায়বদি মফম-মফম, লমদম-লমদমগী অঙ্গৈং অশা, ঈশিং নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইন্না পাম্বীশিংগী অপাম্বা ফীভম ফংবা খেন্নগনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা য়াম্না ফবা পাম্বী মখল অমা ঐখোয়গী মণিপুরদা হেক্তা ফগনি হায়বগী ৱাফমসু লানগনি হায়জনীংই। কাশ্মীরদা এপল চানৈ হায়দুনা মণিপুরদা নৎত্রগা লৌউ শিংউদা চাওখৎলে হায়রিবা পঞ্জাবতা নৎত্রগা আই এ আর আই লৈরিবা দিল্লিদা মাই পাকপা ওইথোক্তে। মরমশিং অসি লৈবনা অনৌবা মখল অমা হেক পুশিল্লকপদা খরা হন্থবা চাংদা চাংয়েং হান্না তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। লোয়ননা অনৌবা লৌউ পথাপ অমা হেক্তা চানরগনি হায়বসু য়াদে।

অমুক্কা হন্না হায়রবদা হায়রিবা মথক্কী থৌওংশিং অসি অতৈ লৌউ পোৎলমশিং, মরু ওইনা লৌউ হীদাকশিং অমদি অতৈ লৌউ পথাপশিং অসিগীসুনি। মমিং মান্নবা ফৌগী লায়না bacterial leaf bligh (BLB) অসিগী হীদাক লৈতে হায়রি। অদুবু মণিপুরদা তারিবা (বি এল বি) অসিদি মমিং মান্নরবসু মসিবু থোকহল্লিবা মহীক (বেক্টিরিয়া) অসি অতোপ্পা মফমদা থেংনরিবদুগা মখল মান্নদবনা streptocycline গা অতোপ্পা কোকফাই হীদাক অমগা য়ান্নরগা শীজিন্নবদা ইরায় লায়না ফহনবা ঙল্লি। অসুম্না অতোপ্পা লমদম অমদা ফরে হায়বা হীদাক অদু ঐখোয়গী মণিপুরদসু হেক্তা ফরনি হায়বদি য়ারোই। খুদম অমগা পঞ্জরবদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদনা হাপকদবা হারগী চাং খঙদনা পংহাপ হাপ্পদগী য়ুরিয়া হেনজিন্না চাইশিনবা অদুগা অতোপ্পা হারশিংনা ৱাৎনা চাইবা, মদুনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা কয়া থোকপগী খুদম কয়া অমসু থেংনদবা নত্তে। পূম্নমকসিগী চাংয়েং অমা চঙই।

চাংয়েং অসি কনানা তৌগনি। তশেংনমক্তি লৈরিবা রিছার্স সেন্টরশিং, য়ুনিভর্সিটি, এগ্রি অমসুং হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টশিং অসিগী মথৌনি। মখোয়না ফৈ হায়বগী প্রমান পীরবা মতুংদা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইগদৌরিবনি। অদুবু লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা অপীকপা চাংদা চাংয়েং তৌবা য়াদে হায়বদি লৈতে। মশানা চথজবা চাংয়েংদগী হেন্না থাজজবদি কদাইদা ফংগনি। অসুম্না মশা মশানা থারিবা মনা মশিং, মহৈ মরোং পাম্বী মখল কয়া, হীদাক মখল কয়া অমা, লৌউ পথাপ কয়া অমা মায় পাক্লা মশানা চাংয়েং তৌরগা শীজিন্নবা ইচিন ইনাও কয়ানি থেংনরিবা। লুরিবদি মখোয়গী ৱাফম অদুবু কনানসু থাজবিদবা অসিনি। মখোয়দুবু কনানা খঙবীখ্রবগে? অসিগুম্বা তাঞ্জা লাক্লবদি মখোয়না তৌজরিবা অচুম্বনি হায়না প্রমানগা লোয়ননা পুথোকপীবা অমা চঙই। মখোয়বু য়ৈথৎপীবনা অয়াম্বনি, য়োকখৎপীবদি য়াম্না তাঙনা ফংগনি। মখোয়দুবু মশক খঙবীবা হায়বসি অখঙ অহৈশিংগী য়াম্না চাওবা থৌদাং অমনি খঞে। অসুক য়াম্না মশাগী হোৎনজমন্না মায় পাক্লা, অকি অখঙ য়াওদনা মীয়ামগী অশেংবা শেবা তৌজরিবশিংবু তশেংনা মশক খঙবীবা হায়বসি অশেংবা মীওইবা অমগী ধর্ম্মনি, মথৌনি খঞে। অসুম্না অনৌবা পাম্বী মখল অমা, হীদাক মখল অমা, লৌউ পথাপ অমা নৌনা পুশিল্লকপা, থেংনরকপা মতমদা লম মচেৎ খরদা মশানা চাংয়েং তৌহঞ্জনীংবগী মরম কয়া অমা লৈ। মসিনা মথক্তা থমজখিবা white flash থাবগী নীংবা কায়বা থৌদোক অদুদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

খুদম অমমুক থমজরবদা মণিপুরদা অহানবা ওইনা সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসন (এস আর আই) হায়না খঙনরিবা লৌউ পথাপ অসি খঙনরকপা মতমদা ফৌ খুদিংমক্তা হায়রিবা লৌউ পথাপ অসি শীজিন্নদুনা থাবা য়াই হায়রুবদগী অনৌবা হায়ব্রিদ ফৌ pusa RH-10 হায়রিবা, ইন্দিয়াগী অহানবা basmati গী মগুন চেনবা হায়ব্রিদ ফৌ, আই এ আর আইনা পুথোকপা মখল অসি এস আর আই মেথোদ শীজিন্নদুনা থারুবদা নীংবা কায়খিবগী ৱারীসু লৈ। মরু য়াম্না চঙদনা, লন্না-লন্না পাম্বী অমমমদা ওইনা নৌরিবা লৌহোন্না লিংলুবদা মায় পাক্লনি খন্না অচৌবা অশা অমগা লোয়ননা থারুরগা, মচা পোক্কনদবা মখল ওইরমদুনা চাথোক অদু য়াম্না নীংবা কায়বা মওংদা নেম্না ফংখিবগী থৌদোকনি। য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোকনি। লৌ শঙম অমতং লৈজবা ইমুং অমনা শঙমদা ফৌবোৎ ৪০ গী মথক্তা থোক্তুনা ইমুং চাবা কোন্নবগী মথক্তা খরসু তাইথোক্তুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা কয়া মেনখৎপা ঙম্লগনি খন্না থৌরম অদু য়াম্না থাজনা পায়খৎচরুবনি। ঐখোয়গী খজিক্তং খন্থবা ৱাৎখিবা অমদি খন্থবা ৱাৎপগী অশোইবদুনা কয়াদা নীংবা কায়হনখিবা? ইকায়নিংঙাইনি ঐখোয় খুদিংমক্কী। মতুংদা অমুকহন্না থাজবা মাঙবা য়াবগী ৱাফমনি। ঐখোয়না লায়না লৌরবসু লায়না লৌবা য়াদবা ৱাফমনি হায়জনীংই। কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফমদি অরাইবনি মীগী থাজবা মাঙবা ৱাফমদুনি য়াম্নমক মরু ওইনা লৌহনজনীংলিবদি। অমরোমদদি হায়ব্রিদ ফৌ হায়বসিনা এস আর আই মওংদদি চুম্নগী হায় য়েলদিং ভেরাইটি (ঐচ ৱাই ভি) শিংদগী, লৌউ পথাপ অসিদা চানবা য়াম্না হেল্লি হায়দুনা লৈরিবনি, অদুবু করম্না হায়ব্রিদ-ফৌনা শোইখিবা? কনানা তম্বা ঙমগনি চাংয়েং য়াওদনা? মসিনি চাংয়েংগী মরু ওইবা হায়রিবসি। সাইন্সতদি ৱাখলনা শাবা য়াদে। মায় পাক্লা থবক অমা পায়খৎকে খল্লবদি অশেংবা থবক্তুগী মায় পাকপগী প্রমান লৈফম থোকই। হৌজিকসু অদু মঙাই ফৌ খুদিংমক এস আর আইদা থাবদা মায় পাকই হায়বা য়াদ্রি। চাগা-চাদিং য়েংনরগা, অহেনবা অদুনি মায় পাকপা হায়বদি। ইশানা চাংয়েং তৌরবা নৎত্রগা কনাগুম্বা থাজবা য়াবা অমনা প্রমানগা লোয়ননা খঙলবা মতমদতা পাক শন্না থৌরম অদু পায়খৎলবতদা মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি।

থমজরিবা ৱাফম অসি লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা, লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীরিবা মীপুম খুদিংমক্লা লুম্না লৌফম থোকপ্রা খঞে। ইশাগী কান্ননবখক্কীদমক, নৎত্রগা শেন্দোংখক্কীদমক নৎত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাবা অমগীদমক খন্নবনা ঐখোয় খুদিংমক নোংমদি ৱামিন্নবগী তাঞ্জা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। চীঞ্জাক্লা ঐখোয়গী থৱায়নি, লৌমীশিংনা ঐখোয়গী চীঞ্জাক পীবিরি, মখোয়সি ঐখোয়গী থৱায় ওইফম থোকই। লৌমীবু লুনা-চান্না তৌবিসি, লৌমীদা নমথাক তৌবিগুমসি, লান্না লমজিংবীগুমসি, তুংদা কৈনিংচৎ লাক্কনি।

লৌমী ইচিন ইনাওশিংদগীসু তম্বা য়াবা কয়া অমা লৈ, লোয়ননা অখং অহৈ কয়ানা থমজবা ৱাফম কয়াবুসু তরাইনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌফম থোক্তে খল্লি। কনা অমনা অখঙ অহৈশিংবু য়াম্না লায়না লৌবা থৌদোক থেংনদবা নত্তে। লৌমী শাবা তোক্তুনা অশেংবা লৌমীবু য়োকখৎপনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা খঙজিনবীগদবা ৱাফম অমনা, অখঙ অহৈশিংনা কৈদৌনুংদা অরানবা ৱাফম ইচিন ইনাওশিংগী মফমদা শন্দোক্লোই হায়বসিনি, মখোয়বু থাজবীফম থোকই। লান্না লমজিংবা য়াওরম্লবদি, মখোয়গী ৱাফমনা তোঙানবা অমনি।

ৱাফমশিং অসি থমজবগা লোয়ননা চাংয়েং কয়া অমা থম্মোয় শেংনা চৎথমিন্নসি, চৎথবিয়ু, পায়খৎলিবা থৌরম মরম খঙনা পায়খৎপীয়ু, কাঙলম খঙফাৎতনা চৎথবনা নীংবা কায়বা ওইরকপা য়াই। অখঙ অহৈশিংগী মনাক্তা চৎপীয়ু, তান্নবীয়ু, মায় পাকপা লৌমী ওইদুনা পুন্সি মহাও খঙনা হিংনবা হোৎনসি। লৈবাক চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবিয়ু।